# ওক্টোবর ১ দা ম্যান্মার মীয়ামগী লুচিংবী সু চিগী করপসন ট্রাইএল চথরগনি : লোয়র



নেপিদো, সেপ্তেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :
ম্যান্মার মিলিটরিনা হৌজিক হৌজিক হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্লিবী মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চিগী করপসন ট্রাইএল মথং থাগী ১ দা পাঙথোক্লগনি হায়না নুপী লুচিংবী অসিগী লিগেল টিমনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা সু চিগী লোয়র খিন মোং জোনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা জজ অমনা লুচিংবী অসিগী ট্রাইএল লৈবাক অসিগী কোনুং নেপিদোদা লৈবা স্পেসল কোর্টঅমদা পাঙথোক্লগনি হায়না খঙহল্লকখ্রে। থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা লুচিংবী অসিগী ট্রাইএল পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু মশাগী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লকপা অমদি কোভিদনা মরম ওইরগা পাঙথোকখিদবনি।

মিলিটরিগী মায়কৈদগীদি হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্লিবী সু চিবু মরাল পীনবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। করিগুম্বা মিলিটরিনা মহাক্কী মথক্তা শিরিবা মরালশিং অসি অচুম্বনি হায়না উৎবা ঙমখ্রবদি সু চি চহী কয়া জেলদা লৈরবা য়াবগী অকিবা লৈরি। অদুমওইনমক লুচিংবী অসিবু মরম চাদনা শিরক্লিবা মরালশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবা শেম শাবগী থবক অকনবা মওংদা চত্থরি। মহাকপু কনবা হায়বসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী অপাম্বনি হায়না লোয়র খিননা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক হৌজিক লৈবাক অদুদা লৈরিবা মিলিটরি জুন্তানা সু চিগী মথক্তা শিরিবা মরালশিংগী মনুংদা মমাং চহীদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদুদা নুপী লুচিংবী অসিনা কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোলশিং থুগায়খি অমদি অরানবা মওংদা মহাক্কী বোদিগার্দশিংনা শীজিন্নগদবা ৱাক্কি টৌক্কিশিং ৱার্কর্রশিংদা পীথোককখি হায়বসিনি।

পনবা য়াবদি চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১ দগী হৌরগা ম্যান্মার মিলিটরিনা কু তৌদুনা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অদুবু ইন্থুখ্রবা মতুং মিলিটরিগী ওইবা লৈঙাক অমা শেল্লকখিবনি। মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চিবু মফমদগী নম্ফুদা লৌথোক্তুনা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখিবগী থৌওং অদুবু লৈবাক অদুগী মীওই কয়ানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা সু চিবু থাদোক্লবা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। মীয়াম্না চঙশিল্লকখিবা খোঙজংশিং অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চত্থখিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিংনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১,০০০ হেন্না শিহনখ্রে অদুগা হৌজিক লৈরিবা মিলিটরি লৈঙাক অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱা ঙাঙলুবা মীওই কয়ানা ফাজিন্দুনা থম্নগা লোয়ননা ওৎ-নৈবগী থবকশিং চত্থরি হায়না রাইটস গ্রুপশিংনা ফোঙদোক্ক রক্লি।

অমরোমদা মালেমগী লৈবাক কয়ানা ম্যান্মার মিলিটরিগী কা হেনবা থৌওংশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপগা লোয়ননা অথুবা মতমদা লৈবাক অদুদা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমা লাকহন্নবা অকনবা মওংদা তকশিল্লক্লি।

## ওষ্ট্রেলিয়ানা ফ্রেন্সকী ময়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

সিদনি, সেপ্তেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :
ওষ্ট্রেলিয়া অমদি ফ্রান্স লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা মরী হান্নদগী লৈনদুনা লাক্লগসু অফঘানিষ্টানগী মতাংদা লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকপা হৌরক্লিবা অসিগা মরী লৈননা ফ্রান্সনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননা ফোঙদোকখিবদা, অফঘানিষ্টানগী মীয়ামদা টালিবানননা চত্থরিবা থবক থৌওংশিং অসি ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা য়াদবা কা হেনবা থৌওংশিংনি। মসিগী ময়োক্তা য়ু এন অমদি হ্যুমেনটিরনিয়ন গ্রুপশিংনা য়ানিংদবশিং ফোঙদোক্লিবা অসি ৱর্ল্ড পৱরশিংনা তুমিন্না য়েংফম থোক্তে। হৌখিবা কুমজা ১৯৯৬ তগী ২০০১ ফাওবা অফঘানিষ্টান দা ইস্লামিক ষ্টেটকী লৈঙাক লৈবা মতমদা অফঘানশিংনা ৱাখিবা অদু মালেমগী মীয়াম্না কাউফম থোক্তে। পনবা য়াবদি ইন্দো পেসিফিক রিজনদা এন ই টি ও (নেটো) অমদি য়ু এস ট্রুপশিংনা টেররিষ্টকী ময়োক্তা কাউন্টর ষ্ট্রাইক কয়া মায় পাক্লা চত্থখি। অদুবু ফোরেন ট্রুপশিংনা অফঘান থাদোকপা হৌখিবা মীকুপ অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা টালিবানননা অফঘানবু খুদুম চনখিবনি।

## এন্টি লোকদাউন প্রোটেষ্টরশিংগা মুক্নরকপদগী পুলিস কয়া শোকখ্রে

মেলবোর্ন, সেপ্তেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :
ওষ্ট্রেলিয়াগী মী খ্বাইদগী য়াম্না কুংনা তাবা সিটিশিংগী মনুংদা অনীশুবা ওইরিবা মেলবোর্নদা ঙসি এন্টি লোকদাউন প্রোটেষ্টরশিং অমদি পুলিস পর্সনেলশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা উংখৎনরকপদগী পুলিস ওফিসর য়াওনা খরা শোক্লে, প্রোটেষ্টর কয়ানা ফাজিনখ্রে হায়রি।



হৌখিবা মার্চ থাদগী হৌরগা ওষ্ট্রেলিয়াগী তোঙান তোঙানবা সিটিশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকা মরী লৈননা অকনবা লোকদাউনশিং থমজিন্দুনা লাকখিবনি। মতম শাংনা লোকদাউন থমজিন্দুনা লাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা সিটিশিং অদুদা লৈরিবা মীওইশিং অৱাবা কয়া ময়োক্লরি। মসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না লোকদাউনগী অথিংবশিং কোমথোক্ল বা তকশিন্দুনা লাক্লি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি খরদগী লোকদাউন লৌথোকখ্রবসু মেলবোর্নগী ওইনদি লৌথোক্ত্রি। মসিনা মরম ওইরগা খোয়শাউনরবা মীওই চা কয়ানা লন্বীদা থোক্তুনা লোকদাউনগী ময়োক্তা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। মীয়ামগী খোঙজং অদু মখা তানা চত্থনবা পুলিসকী মায়কৈদগী খঙহনখি। অদুবু মদুগী ময়োক্তা মখা তানা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী মুক্নবগী থৌদোকশিং থোক্লকখিবনি।

খোঙজংদা শরুক য়ারকখিবা মীওইশিংগী মরক্তগী পুলিস তম্না নুঙ অমদি চেকতেক্লচিংবা থাজিন্দুনা এটেক্ট চত্থবা হৌরকখি। পুলিসনসু পিপর স্প্রে কাপ্তুনা মীয়াম অদুবু তানখায়নবা হোৎনখি। থৌওং অদুদা পুলিস ওফিসর ৬ অশোক অপন নংখি। ভাইওলেন্সকী থৌওং অদুগা মরী লৈননা খোঙজংলোয় ২০০ হেন্না পুলিসনা ফাজিনখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ভিক্তোরিয়া পুলিসকী কম্মান্দর মার্ক গেলিওটনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি অয়ুক্তগী হৌরগা মীওই ৭০০ লোম হেনবনা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখি। খোঙজংদা শরুক য়ারকখিবা খরদি অতম্নন পুলিসতা এটেক্ট চত্থনবা শেম শাদুনা লাকখিবগী খুদম উবা ফংই হায়রি।

অমরোমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মনুং চন্না লৈরিবা মরুওইবা সিটি অয়াম্বা মপুং ফানা লোকদাউন থমজিনখিবনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অৱাবা ময়োক্লরি। মীয়ামগী অৱাবা অদুগী ময়োক্তা থবক তৌই হায়দুনা প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসনগী ময়োক্তা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লি। খোঙজং অদুগা মরী লৈননা পি এমনা মীয়াম তপথনা লৈনবা অপিল থৌরকখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ গী চথন-কাংলোনশিং ঙাক্লা চৎনবসু খঙহল্লক্লি।

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL, GOVT. OF MANIPUR

Ref. Mutation Case No. 435/AS & SO/TBL Dt. 13-09-2021

1. Ningthoujam Pujari Devi W/o (L) Meijao Singh of Khangabok Khullakpam Leikai
2. - do - Ibungo Singh S/o (L) Meijao Singh of - do -
3. - do - Ojitkumr Singh S/o (L) - do - of - do -

... Applicant

-Vs-

(Late) Ningthoujam Maijao Singh S/o (L) Ibotombi Singh of Khangabok ... OPP.

NOTICE

18-09-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল খাঙবোক খুল নং ৩৩ খাঙবোক (i) পাট্টা নং ৩৩/১০৭৩ (অরিবা) ১৪০১ (অনৌবা) দাগ নং ৪১১৪ এরিয়া .১৭০০ হেক্তর চাওবা ইংখোল (ii) পাট্টা নং ৮৬৩ (অরিবা) ১৪০২ (অনৌবা) দাগ নং ৪১১৫ এরিয়া .১৬০০ হেক্তর চাওবা ইংখোল (iii) পাট্টা নং ৩৩/১১৪ (অরিবা) ১১৬৫ (অনৌবা) দাগ নং ১২০৫ এরিয়া .৩৯৯১ হেক্তর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিশিংগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা য়েৎলবা য়াগনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি, মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- M. Ningthembi Singh
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/0110/20

OFFER OFFER

**ক্রইলর / য়েন্নাও অমদা লুপা ২৮, ঙানু মচা অমদা লুপা ৬৫ দা ফংবীগনি।**

লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমীৎ তাং ২৬তা য়েন্নাও Kuroiler, FFG, Layer, Black Rock, Banaraja অমদা লুপা ২৮দা ফংবীগনি। ঙানু মচা Pekkin, Khagi, Muksan অমদা লুপা ৬৫দা ফংবীগনি। Farmer শিংনা advance booking তৌবীয়ু। থাংজ খুদিংগী য়েরুম, ঙানু মরুম হাপচগনি। য়ুমশকৈশা খুদিংগী Japanese Quail মরুম হাপচগনি। মচা কোনবা য়াবা য়েরুম; ঙানু মরুম য়োনবীনিংবশিংনা মখাগী নম্বর অসিদা খঙহনবীরকউ।

লেংশিনবীরকসি : **EMOINU HATCHERY**
**Near BSNL & Postal Colony, Eastern Ground, Palace Compound, # 9436085117**

HL-P/0107/20

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 296/SDC/SLG/IE-2021 Dt. 18/09/2021

Leitanthem Ahanbi Leima W/o Leitanthem Ibocha Meitei of Waiton Mayai Leikai. -Petitioner

-Vs-

Leitanthem (o) Gambhini Devi W/o Late Lala Singh of Waiton -Opposite Party

NOTICE

Sagolmang, the 18-09-2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি ই:ই: তহশিল খুল নং 31-Waiton পাট্টা নং 89 (অরিবা) 152/1139 (অনৌবা), দাগ নং 2187/2494 মোট এরিয়া 0.15 একর চাওবা ইঙ্খোলগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নর অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপ্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা আপ্তি/ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপ্তি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Sagolmang, Imphal East

HL-P/0109/20

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGLAM

Ref. Mutation Case No. 134/SDC/H Dt 13/09/2021

1. Waikhom Hemo Singh S/o (L) Waikhom Gouramohon Singh of Wabagai Kadajit
2. Waikhom Dharmo Singh S/o (L) Waikhom Gouramohon Singh of Wabagai Kadajit Awang Leikai
3. Moirangthem Ibetombi Devi W/o (L) Moirangthem Ibopishak Singh of Wabagai Kadajit Awang Leikai ... Petitioners

-Vs-

(Late) Moirangthem Ibopishak Singh S/o (Late) Moirangthem Lokhon Singh of Wabagai ... O.P.P.

NOTICE

Kakching, the 16th September, 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৬৬-ৱাবগাই অনৌবা পাট্টা নং: ৬৪৭, অরিবা পাট্টা নং: ৩৯৩ গী দাগ নং: ২১৬৬ কী লম হেক্তর .৪১৮৫ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কল্লগা উক্তা দংকারিশিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈননা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৪/০৯/২০২১ ইং ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা ৱাকৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থজখ্রগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Hiyanglam

HL-P/7169/20

## থংন-থংননা পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ২ শিরে

জলালবাদ সেপ্তেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :
জলালবাদ সিটিগী নোংপোক থংবা শরুক্তা থংন-থংননা অহুল্লক পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ২ শিখিবগা লোয়ননা মীওই ২০ হেন্না অশোক অপন নঙহনখ্রে হায়না টালিবান ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা টালিবান ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, টালিবান এনভোয় অমদা টর্গেট তৌরগা এটেক্ট অদু চত্থরকখিবনি। এটেক্ট অদুদা অফঘান নুপী অমদি অঙাংশিং য়াওনা অশোক অপন নংখিবনি। এটেক্ট অদু হৌজিকমক্কী ওইনদি কনানা চত্থখিবানো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি অদুগা এটেক্ট অসিগা মরী লৈননা ইন্দিভিদ্যুএল অমদি গ্রুপ অমত্তনা ক্লেইম তৌরকপসু লৈত্রি।

টালিবানননা অফঘান মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌখ্রবা মতুং পঞ্চির প্রোভিন্সতা খুদোংচাদবা থোকপগী চাংসু হেনগৎলক্লি। পঞ্চির প্রোভিন্সপু খুদুম চন্নবা হোৎনবদা টালিবান অমদি লোকেল মিলিসিয়া অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা মখা তানা হৌজিকসু খুৎ থোক্নরি। এন্টি টলিবানগী লুচিংবা মুহমদ মসুদনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না, পঞ্চির প্রোভিন্স লৌশিন্নবা চঙলকখিবা টালিবান ফাইটর কয়া লোকেল মিলিসিয়াশিংগী মখুত্তা মায়থিবা নংখ্রে। টালিবানশিংনা পঞ্চির প্রোভিন্স লৌশিল্লে হায়না মীয়াম মমাংদা লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা অসিদা থাজবা তৌবীগনু। হৌজিক হৌজিকসু পঞ্চির প্রোভিন্সতা টালিবানশিং চঙশিল্লকপা লৈত্রি হায়রি।

অমরোমদা ঙসিগী বোম ব্লাষ্ট অসিগা মরী লৈননা টালিবানননা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, এটেক অসি টালিবানগী মায়োক্তা লৈবা লালহৌবশিংনা চত্থরকপা ওইরম্বা য়াই। টালিবানগী অনৌবা লৈঙাক অসিনা নুপী অমদি নুপা চপ মান্নবা থাক্তা লৈহন্নবা হোৎনরি। অদুবু ইস্লামগী মায়োক্তা লৈদুনা অরানবা থবক তৌবশিংনা হেক হেক মীয়াম্বু লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা অসিদগী মীয়াম্না চেকশিন্না লৈগদবনি হায়রি।

## য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মশাগী মরাল য়াজখ্রে

ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :
মমাং থাদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা আই এস আই এস লালহৌবশিং লৈরম্বা য়াই চিংনবা কাবুলগী মফম অমদা চত্থখিবা দ্রোন ষ্ট্রাইক অমদা চহী নৌরিবা অঙাং অমা য়াওনা মীওই ১০ শিহনখিবগী থৌদোক অদু মখোয়গী অশোয়বনি হায়না য়ু এস টোপ জেনরেল অমনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মশাগী মরাল য়াজখ্রে।

অফঘানিষ্টানদা চহী দিকেদ অনীরোম য়ু এসনা মখোয়গী ট্রুপশিং দিপ্লায় তৌদুনা লালহৌবশিংগী ময়োক্তা কাউন্টর টেরোরিজম ষ্ট্রাইকশিং মায় পাক্লা চত্থদুনা লাকখিবনি। মতম শাংনা লৈবাক অদুদা লৈদুনা মথৌ তৌরম্বা য়ু এস ট্রুপশিং মমাং থাগী অরোয়বা ফাওবগী মনুংদা লৌথোক্লগনি হায়না য়ু এসতা নৌনা প্রসিদেন্ট ওইরকখিবা জো বাইদেননা ফোঙদোকখ্রবা মতুং টালিবানশিংনা অকনবা মওংদা তকশিল্লক্তুনা মমাং থাগী ময়ায় চল্লকপদা অফঘানগী কোনুং খুদুম চনশিনখিবনি। মদুগী মতুং লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎনবগীদমক মীওই কয়া কাবুল ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা থোমজিন্দুনা লাকখিবনি। মদুগী মতুং ওগষ্ট ২৬তা এয়রপোর্ট মনাক্তা ইস্লামিক ষ্টেট-খোরাসান গ্রুপকী মেম্বরশিংনা থংন-থংননা সুসাইদ বোম এটেক্ট চত্থদুনা য়ু এস ট্রুপস ১৩ য়াওনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ১০০ হেন্না হাৎখিবনি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 229,034,014 | +124,309 | 4,702,137 | +2,927 | 205,654,070 | 18,677,807 |
| 1 | USA | 42,866,805 | | 691,562 | | 32,483,226 | 9,692,017 |
| 2 | India | 33,448,163 | +1,153 | 444,869 | | 32,671,167 | 332,127 |
| 3 | Brazil | 21,230,325 | | 590,547 | | 20,280,294 | 359,484 |
| 4 | UK | 7,400,739 | | 135,147 | | 5,958,691 | 1,306,901 |
| 5 | Russia | 7,274,928 | +20,174 | 198,218 | +793 | 6,498,682 | 578,028 |
| 6 | France | 6,949,519 | | 116,002 | | *6,626,486* | 207,031 |
| 7 | Turkey | 6,820,861 | | 61,361 | | 6,309,910 | 449,590 |
| 8 | Iran | 5,424,835 | +15,975 | 117,182 | +391 | 4,764,998 | 542,655 |
| 9 | Argentina | 5,238,610 | | 114,367 | | 5,093,351 | 30,892 |
| 10 | Colombia | 4,939,251 | | 125,860 | | 4,777,796 | 35,595 |
| 11 | Spain | 4,929,546 | | 85,783 | | 4,633,527 | 210,236 |
| 12 | Italy | 4,632,275 | | 130,284 | | 4,388,951 | 113,040 |
| 13 | Indonesia | 4,190,763 | +2,234 | 140,468 | +145 | 3,989,326 | 60,969 |
| 14 | Germany | 4,146,128 | | 93,555 | | 3,882,700 | 169,873 |
| 15 | Mexico | 3,564,694 | +11,711 | 271,303 | +765 | 2,916,271 | 377,120 |
| 16 | Poland | 2,897,935 | +540 | 75,488 | +1 | 2,659,483 | 162,964 |
| 17 | South Africa | 2,880,349 | | 86,116 | | 2,728,961 | 65,272 |
| 18 | Philippines | 2,366,749 | +19,271 | 36,788 | +205 | 2,151,765 | 178,196 |
| 19 | Ukraine | 2,348,381 | +3,983 | 54,875 | +46 | 2,230,852 | 62,654 |
| 20 | Peru | 2,166,419 | | 198,976 | | N/A | N/A |
| 21 | Malaysia | 2,082,876 | | 23,067 | | 1,840,450 | 219,359 |
| 22 | Netherlands | 1,983,252 | | 18,111 | | *1,893,588* | 71,553 |
| 23 | Iraq | 1,972,705 | | 21,775 | | 1,857,873 | 93,057 |
| 24 | Czechia | 1,686,182 | +301 | 30,430 | +1 | 1,650,536 | 5,216 |
| 25 | Japan | 1,673,144 | +4,702 | 17,156 | +59 | 1,575,919 | 80,069 |
| 26 | Chile | 1,646,994 | | 37,339 | | 1,603,507 | 6,148 |
| 27 | Canada | 1,571,327 | | 27,384 | | 1,498,486 | 45,457 |
| 28 | Bangladesh | 1,541,300 | | 27,182 | | 1,498,654 | 15,464 |
| 29 | Thailand | 1,476,477 | +13,576 | 15,363 | +117 | 1,330,019 | 131,095 |
| 30 | Pakistan | 1,223,841 | +2,580 | 27,206 | +71 | 1,132,726 | 63,909 |
| 31 | Israel | 1,221,713 | +197 | 7,511 | | 1,130,393 | 83,809 |
| 32 | Belgium | 1,219,814 | | 25,497 | | 1,133,872 | 60,445 |
| 33 | Romania | 1,148,710 | +3,817 | 35,514 | +58 | 1,079,408 | 33,788 |
| 34 | Sweden | 1,144,982 | | 14,734 | | *1,101,847* | 28,401 |
| 35 | Portugal | 1,061,371 | | 17,902 | | 1,009,517 | 33,952 |
| 36 | Morocco | 918,126 | | 13,876 | | 880,091 | 24,159 |
| 37 | Serbia | 860,431 | | 7,733 | | 752,254 | 100,444 |
| 38 | Kazakhstan | 860,424 | +2,781 | 10,726 | +56 | 787,450 | 62,248 |
| 39 | Switzerland | 823,074 | | 11,010 | | 736,388 | 75,676 |
| 40 | Hungary | 817,159 | | 30,123 | | 779,777 | 7,259 |
| 41 | Jordan | 812,681 | | 10,606 | | 789,634 | 12,441 |
| 42 | Cuba | 792,933 | | 6,733 | | 747,064 | 39,136 |
| 43 | Nepal | 784,566 | +656 | 11,040 | +12 | 749,213 | 24,313 |
| 44 | UAE | 732,690 | +391 | 2,075 | +2 | 724,446 | 6,169 |
| 45 | Austria | 724,035 | +1,678 | 10,895 | +6 | 689,927 | 23,213 |
| 46 | Tunisia | 699,928 | +704 | 24,490 | | 669,355 | 6,083 |
| 47 | Vietnam | 677,023 | | 16,857 | | 448,368 | 211,798 |
| 48 | Greece | 629,498 | | 14,433 | | 587,957 | 27,108 |
| 49 | Lebanon | 617,662 | | 8,232 | | 580,346 | 29,084 |
| 50 | Georgia | 595,264 | +1,501 | 8,541 | +43 | 559,996 | 26,727 |

ADMISSION OPEN

FOR THE FOLLOWING COURSES
1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com

PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL

HL-B/7118/1/9-1/10

***ADMISSIONS OPEN***
FOR THE ACADEMIC YEAR 2021-22
HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !
STUDY IN ONE OF THE BEST ENGINEERING COLLEGE OF BANGALORE

*** COURSES OFFERED: ***
*B. E (COMPUTER SCIENCE)
*B. E (CIVIL)
*B. E (MECHANICAL)
*B. E (ELECTRONICS & COMMUNICATIONS)
*B. E (ARTIFICIAL INTELLIGENCE & MACHINE LEARNING)

* College Highlights *
*No Donation *Reasonable tuition fees *Beautiful college campus *Well equipped labs & training classes *Highly qualified teaching faculties *Placement in top MNC's Companies *Well furnished hostel rooms *Separate hostel for boys and girls.

CONTACT US: 9362331862, 8310788408.
OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.

HL-P/0105/20/9-4/10

**** ADMISSIONS OPEN ****
FOR THE ACADEMIC YEAR 2021-22.
HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !
STUDY IN BANGALORE BEST COLLEGES .

COURSES OFFERED:

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| MBBS | B.PHARM | BE | BCA | BSc NURSING |
| BDS | M.PHARM | MBA | BBA | BSc, MSc NUTRI |
| BAMS | PHARMA.D | MCA | BCOM | PBBSc NURSING |
| BHMS | D.PHARM | BHM | MCOM | MSc NURSING |
| BMLT | BPT, MPT | GNM | LLB | M.TECH..etc. |

CONTACT US : 9362331862, 8310788408.
OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.

HL-P/3873/20 Aug. to 18 Sept